**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.918446 |
| US Dollar | 74.150598 |
| British Pound | 98.404066 |
| Australian Dollar | 54.158824 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.301210 |
| Japanese Yen | 0.713943 |
| Malaysian Ringgit | 18.121084 |
| Singapore Dollar | 55.191651 |
| South Korean Won | 0.066569 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.773493 |
| Thai Baht | 2.447648 |
| Myanmar Kyat | 0.05665 |
| Bangladesh Taka | 0.87507 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 50453.00 |
| Mumbai | – | Rs | 50190.00 |
| Delhi | – | Rs | 50068.00 |
| Kolkata | – | Rs | 50314.00 |

## পি এম জে এ ৱাইগী এনরোলমেন্ট তৌবা অমসুং কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম পাংথোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): জিরিবাম জিল্লা পরিষদনা শীন্দুনা প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা (পি এম জে এ ৱাই)গী এনরোলমেন্ট তৌবা অমসুং কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা জিরিবামগী পি দব্লিউ দি গেষ্ট হাউতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা চীফ গেষ্ট, জিরিবামগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার দব্লিউ মালেমঙানবা চেংলৈনা প্রসিদেন্ট অমসুং জিরিবাম জিলা পরিষদকী অধক্ষ্য সিঐচ জানকিনা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা হায়খি, লৈঙাক অসিনা লাইরবশিংগী য়াইফনবগীদমক পি এম জে ৱাই স্কিম অসি পায়খৎলকখিবনি। স্কিম অসিগী কান্নবশিং মীয়াম্না মপুং ফানা লৌনবা হোৎনসি। জিরিবামগী দিসি দব্লিউ মালেমঙানবা চেংলৈনা হায়খি এমপি ডা. আর কে রঞ্জননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী য়াইফ থৌরাংগা মরী লৈননা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মসিগীদমক এম পিবু ঙমখে লৈতনা থাগৎচরি। জিরিবামদা কোভিদ ১৯ অসি কন্ত্রোল তৌরে। মরম অসিনা জিরিবামগী মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## নেফিসনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দক্তা সংস্কৃট চাওখৎহন্নবগী মতাংদা লাউথোকখিবা ৱাফম অমবু নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস) না অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

নেফিসকী মেম্বর থোকচোম য়াইফলেনবী চনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা অতৈ মরু ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপগী মহুত্তা লৈঙাক্লা সংস্কৃট লোল চাওখৎহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা লোল অসি অখন্নবা স্কুল অমসুং কোলেজ খরগী করিক্যুলমদা য়াওহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু অচুম্বা থৌওং নত্তে।

নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি ২০২০গী শরুক অমা ওইনা সংস্কৃট লোল চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা লোলশিং অমসুং ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা লোলশিং মীরাইবগী থৌওংনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফীভম ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মহুত্তা লোল অমখক চাওখৎহন্নবা হোৎনরিবসি নেফিসনা অকনবা মওংদা য়ানীংদে। হীরম অসিগী মতাংদা চপ চানা মায়োক্লনবা শেম শারে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## পেনা ফমশক্কী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শগোলবন্দ খমনাম বজার সোয়াম লৈরক্তা লৈবা মমতাজ মণিপুরী ডান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্তরগা খূৎশম্নরগা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা মোইরাং কংলৈরোলগী লৈ লাংবগী মতাংদা পেনা ফমশক্কী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

শগোলবন্দ খমনাম বজার সোয়াম লৈরক্তা লৈবা সোয়াম চন্দ্রমণিগী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরর দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর চিংঙাংবম মোধুসুদননা অথোইবা লেংবীরকপা, মমতাজ মণিপুরী ডান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্তরগী প্রসিদেন্ট মাইবম চন্দ্রনা থৌরম মপু অমসুং সোয়াম লৈরক দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি য়ুম্নাম মেঘচন্দ্রনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি। লৈঙাক্লা পীবা কোভিদ ১৯ গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কোইজম প্রেমকান্ত মৈতৈনা মোইরাং কংলৈরোলগী লৈ লাংবগী মতাংদা শৈথাদুনা তিল্লিবা মীয়ামগী পুক্নিং শুমহৎখি হায়না মমতাজ মণিপুরী ডান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্তরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## জর্নেল সিংহনা মহৈকোলসিগী ...

*লামায় ১গী মখা...* মেম্বর অমদা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট অমসুং দিন ওফ স্কুল য়াওনা এদমিনিষ্ট্রেটিভকী ফম অমদগী হেন্না পীরোইদবনি হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহগী থা ২৫ মপুং ফাজিল্লক্লবা এদমিনিষ্ট্রেটরগী থবক থৌরমশিংদা ফেকল্টি মেম্বর খরবু তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট অনীগী হেদকী ফম পীশিনবদা নত্তনা দিনগী ফমসু পুহল্লম্বা য়াওরম্লে। থৌওং অসি হৌজিকসু মহৈকোল অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট খরদা মখা তানা অদুম্মক চত্থরম্বসু থেংনরে। অদুগা জে এস সী সীনা মহৈকোল অসিদা নাখৈ শেংবা রিজার্ভেসন পোলিসী অমা চৎনহল্লু হায়রকপগী মতাংদনা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা ইকনমিকেল্লি ৱিক্কর সেক্সন (ঈ দব্লিয়ু এস) হায়বা কাঙলুপ অমা পুথোক্তুনা মসিগী চাদা ১০ রিজার্ভেসন পীনবগী কাঙলোন অমা হৌদোক্লম্লে। ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফাওবা থবক ওইনা চৎনদ্রিবা ঈ দব্লিয়ু এসকী রিজার্ভেসন অসি মহৈকোল অসিদদি চৎনহন্নবগীদমক এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহগী মীৎয়েং মখাদা মহৈকোল অসিদা এম এ/এম এস সী/এম কোম/এম সী এ/এম এল আই সাইন্স/এল এল এম/এম বি এ অমদি অতোপ্পা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট কোর্সশিংদা চৎলিবা একাদেমীক সেসন ২০২০-২১ অসিদগী হৌরদুনা ফার্ষ্ট সেমিষ্টরদা মিং চনবদা হায়রিবা ঈ দব্লিয়ু এসকী চাদা ১০গী রিজার্ভেসন অসি চৎনরগনি হায়না মমাঙ থাগী ২৭ (ওক্টোবর ২৭, ২০২০)দা রেজিষ্ট্রারনা ওফিসল ওইবা চেরোল অমমম হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং, দিনশিং, কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন অমসুং এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার (একাদেমীক)তা পীরম্বা লৈরমখি।

অমরোমদা, মহৈরোয় লূপ মরিগী অপূনবা লূপ অসিনা মহৈকোল অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০০৫কী প্রোভিজনশিং চৎনহনগদবনি হায়দুনা তানবা দিমান্দগী মতাংদনা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিদা অয়াবা শুংপী পীদবা অমবু মহাক্লা নমদুনা পাঙথোক্লগা মরুওইবা পোষ্ট অনী য়াওনা পর্মিনেন্ট টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফ ৬৬ দাইরেক্ট এপোইন্টমেন্ট পীদুনা হাপচিল্লম্লে। হায়রিবা থৌওং অসি এক্টিং ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদা পীবা পাৱরগী মনুং চন্দে। মরমদি সী সী এস (সী সী এ) রুলস ১৯৬৫কী রুল ১২(২) অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি)না কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ৭ অমসুং ওক্টোবর ১০দা থোক্তুনা পীরকখিবা সার্ক্যুলর নম্বর এফ. নম্বর-১৯-৫৮/২০১৪- দেস্ক (য়ু)গী মতুংইন্না এক্টিং ভাইস চাঞ্চেল্লর অমনা য়ুনিভর্সিটি অমগী পর্মিনেন্ট টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিং এপোইন্টমেন্ট তৌনবগী ষ্টেটুটোরি পাৱরশিং শীজিন্নবা য়ারোই হায়বসিনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা এপোইন্টমেন্ট পীশিনখিবা তোঙান-তোঙানবা পোষ্টশিং অসিগীদমক সেলেক্সন কম্মিটিশিং শেম্বগী মতাংদদি রেগ্যুলর ভাইস চাঞ্চেল্লর অমসু ওইদবা মহাক্লা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০০৫কী ষ্টেট্যুদ ১২ (২) অমসুং ওর্দিনান্স দি-১৪দা য়াওদুনা লৈরবা চৎন-কাঙলোনশিং লান্না শীজিন্নরম্বগী খুদমশিং থেংনখি। মসিগী মনুংদা মহাক্লা পাঙথোকখিবা এপোইন্টমেন্টশিং অসিগী দি পি সীশিংদসু চ্যেরমেন ওইরম্বসু য়াওখি।

পাউচে অসিনা ফংলকখিবা রিপোর্টশিংনা মখা তানা হায়বদা, এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা মহৈকোল অসিগী থবক থৌরমশিং পুরক্লবা মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা এক্সটর্নেল এক্সপার্টশিংদগী ফেকল্টি মেম্বরশিংগী এসেসমেন্ট রিপোর্টস ওফ পব্লিকেসন্স য়াওদনা এসোসিএট প্রোফেসর অমসুং প্রোফেসরদা মথংশিংনা ফেকল্টি মেম্বর ১১ অমদি ১৯ প্রমোসন পীথোক্লমখি হায়রি। খ্বাইদগী ঙক্লিবনা মহাক্লা প্রমোসন পীখিবশিং অসিগী মনুংদা ফেকল্টি মেম্বর মরিখক্তি চপ মান্ননা মখোয়বু এসোসিএট প্রোফেসর অমসুং প্রোফেসরদা প্রমোসন পীরমখি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর অসিগী মহুৎতা মপুং ফাবা ভাইস চাঞ্চেল্লর অমা হাপ্পীয়ু হায়নসু দিমান্দ তৌখিবা জে এস সী সীগী খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর অমসুং রেজিষ্ট্রারগী ওফিসকী থোঙশিং ছো ফাওবা লোনশিল্লুবা লৈখি। মসিগীদমক জোইন্ট কম্মিটি অসিগী কনভিনর ধনকুমার নিংথৌজা অমসুং মেম্বর প্রিয়ানন্দ হুইরোংবম শিংজমৈ পুলিসনা ফারুবগী থৌদোকসু লৈখ্রবনি।

## মণিপুরী মিররগী ৱেবসাইট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): মণিপুরী মিররগী সিলেটতা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা বাংলাদেশকী শকনাইরবা অইবা গবেষক অমসুং ওজা একে সেরামনা মণিপুরী মিররগী ৱেবসাইট হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর মিররগী মাইকেটিং, ফাইনান্স এন্দ এদভার্টিসমেন্টকী ইন চার্জ নাম্রম সঙ্কর, ওদিওভিজুএল এডিটর নন্দলাল, মণিপুরী মিররগী পব্লিসর অমসুং এডিটর ইন চীফ হামোম প্রামোট একজিক্যুটি এডিটর সেরাম রিপন, ন্যুজ এডিটর হামোম প্রবিটনচিংবসু শরুক য়াখি।

## ৱেবিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): সেন্তর ফোর হ্যুমেন রিছোর্স এন্দ ইকোনোমিক দিভলপমেন্টনা শীন্দুনা সাইবর ক্রাইম এগেন্স ৱুমেন-প্রিকোসন এন্দ ষ্ট্রেটিজিগী মতাংদা ৱেবিনার অমা পাঙথোকখ্রে হায়না সেন্তর ফোর হ্যুমেন রিছোর্স এন্দ ইকোনোমিক দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরি মুতুম সুরজনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱেবিনার অসি নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱুমেন ন্যু দিল্লীনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা এদভোকেট হাওবিজম নবচন্দ্র, এদভোকেট সলাম সমরজিৎ, এম এস দব্লিউ ডা. লাইশ্রম রিনা, এময়ুগী প্রেফেসর ডা. লাইশ্রম প্রভাকর অমসুং গেষ্ট লেকচরর ডা. সনসম সুভামেননা রিছোর্স পার্সনশিংনা ওইনা শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তনা ফোঙদোরক্লি।

## মীওই ২দ্রগকা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ২৫শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক লল্লোনবা মীওই অনী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী গৌগান এরিয়াদগী ফারে।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সাইমন খুলদগী দোসু (৩৪) অপোকপা সাইচিপুং অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপী পারোং পুলিস ষ্টেনগী মনুং চন্না লৈবা টি লাইচাংদগী হাওমিও হাওকিপ (২৬) অপোকপা ঙমলুং হাওকিপনি।

মখোয়দগী হেরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ৮৩২ অমদি শেল ওইনা লুপা ৬,২২০ রোম ফাগৎলে। ফারবা মীওই অনী অদু অসাম রাইফলসনা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## চুড়াচান্দপুরদা মেদিকেল কোলেজ ...

*লামায় ১গী মখা...* ৱেলফ্যেরনা মেদিকেল কোলেজ শান্নবগী অয়াবা পীরকখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ৩২৫ সেঙ্কসন তৌরক্লে। অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফম ষ্টেট লৈঙাক্তা পীরক্লে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এ দি সি সি খাইপাও হাওকিপ, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ওফ ৱার্ক্স পাওলুনথাং ৱাইফৈ, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) বুমলুনমাং বুৱালনম পি দব্লিউ দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার পৱন য়াদবসু লোয়নখি।

## মোলিকুল ফাবা ঙমদ্রবদি অকনবা ...

*লামায় ১গী মখা...* মীওই ফাদুনা চৈরাক পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

সঙ্গেন্থোংদা লৈবা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গেটতা এল্যুমনাই অসিগী মেম্বরশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা অদুদা নো টু গন কলচর, জষ্টিস দিলে ইজ জষ্টিস দিনাইদ, লাইসেন্স টু গন নোট লাইসেন্স টু কিল, জষ্টিস ফোর গুরুময়ুম সুরজকুমার হায়বা থাবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি।

প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা, গুরুময়ুম সুরজকুমারগী মীহাৎতা চেন্নরিবা গুরুময়ুম মোলিকুল এলিয়স বিরচন্দ্র অথুবা মতমগী মনুংদা ফাদুনা লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। সুরজকুমারবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। লৈঙাক্লসু নোংমৈগী লাইসেন্স পীবগী থবক থৌরমশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। নোংমৈগী লাইসেন্স পীগদৌরিবা মীওই অদুগী মেন্টেল ষ্টেটস করম্বা মওংদা লৈরিবগে হায়বদুসু য়েংশিনহন্নিংই। সুরজকুমার হাৎখিবা থৌদোক অসি লৈঙাক্লা তরাইনা লৌফম থোক্তে। মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওই ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্ননবা মীহাৎ অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা এসোসিএসন অসিনা শৌগৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## লিলোং অমসুং ৱাংজিং তেন্থা এ ...

*লামায় ১গী মখা...* অতোপ্পা অনীনা শিজ হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা মশীং অসি ২৩৬ শুরে।

নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা কেসশিং অসি জেনিমসতা ১৬৭, রিমসতা ১৯, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৭৪, মাইপাকপীদা ১, সী এম সীদা ২, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৬, শিজ হোস্পিটালদা ৯, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ১, হিলসাইদতা ১, রাজ মেদিসিটিদা ১৪, আর দি ৱিংদা ২, থৌবালদা ২৮, বিষ্ণুপুরদা ৯, তমেংলোংদা ১২, উখ্রুলদা ২, চুড়াচান্দপুরদা ১১ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১৯ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১২৭, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৬৬, থৌবালদগী ৩৫, বিষ্ণুপুরদগী ১৫, ককচিংদগী ৩, চান্দেলদগী ১, উখ্রুলদগী ২, তমেংলোংদগী ১২, তেংনৌপলদগী ৩, চুড়াচান্দপুরদগী ৩৮, সেনাপতিদগী ২ অমসুং কাংপোকপীদগী ২ য়াওরি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই ঙাক্তনি। মীওইশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং পায়খৎলি।

নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মীওইশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৩,৪০০ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২০,৩৫৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩০৪৭ নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২০,০১৮ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৭,২৬৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৭৫৪ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৫.৫৪ নি। অদুগা কেস ৩১৪৬ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৮৫৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৮৯ নি। লোয়ননা মীওই ২০৫সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মীওই ২৫৬ রোম দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসি থিংনবা য়ুমদগী থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্পুবা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং ঙসি পুলিস দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চত্থবদা মীওই ২৫৬ রোম দিটেন তৌখ্রে।

পুলিসনা দ্রাইভ চত্থবদা ফারবা মীওইশিং অদু মখা তানা তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখ্রে। ফারবা মীওইশিং অদুদগী শেল ওইনা পুন্না লুপা ৪০,৭৫০ রোম ফাইন থিহনখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা ঙসি দ্রাইভ চত্থবদা মীওই ২৬, ইম্ফাল ইষ্টতা মীওই ২৩, থৌবাল পুলিসনা খ্বাইদগী য়াম্না মীওই ১২২, ককচীং পুলিসনা মীওস ১৯, চুড়াচান্দপুর পুলিসনা মীওই ২১, তমেংলোং পুলিসনা মীওই ২৫ অমদি জিরিবাম পুলিসনা মীওই অমা দিটেন তৌখি হায়রি।

## য়ানিংদবা ফোদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা মশাগী চহী ২৮ শুরবী লৈশাবী অমবু নুংশিনবা নুপানা চেল্লবনি হায়না পুরগা ফমলানবীরবা মতুংদা তমথিনা ফুরগা শিরে হায়না হুন্দোক্লম্বগী থৌওংবু ৱিমেন এগেন্সট ক্রাইম (দব্লিউ এ সি) না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

দব্লিউ এ সিগী সেক্রেটরি এ রোবীতা লৈমানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈশাবী অদু শিরে হায়না হুন্দোক্লম্বনি অদুবু লাইবক ফবদগী হিংহৌবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অদু লৈঙাক্লা মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈশাবীশিং অমদি নুপী পোকপা মমা মপাশিং চেকশিনবা মতম ওইরে। মচানুপা পোকপা মমা মপাশিংনসু মচাশিংবু মতিক চানা ৱারক ৱাতেম্বা মথৌ তারে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## দিফেন্স কাউন্সেলনা হায়কোর্টতা ...

*লামায় ১গী মখা...* নিংঙোম্থম ময়াই লৈকায়, হৌজিক্লা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী দেপ্যুটি স্পিকর ওইরিবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী কোংখাম রোবিন্দ্রো (৩১), অপোকপা কে মংলেম, ময়াং ইম্ফাল থানা অৱাং লৈকায়, ফুংয়ার (এস টি) এ সীগী কে লৈসিও (৪৪), অপোকপা কে সম্ফাং, নম্বাসি হোটৌন ভিলেজ, চিংঙাই (এস টি) এ সীগী খাসিম বাসুম (৫৫), অপোকপা লুংরৈ বাসিম, তুসোম খৃষ্টিয়ন ভিলেজ, হৌজিক্লা মিনিষ্টর ওইরবা তামৈ (এস টি) এ সীগী অৱাংবৌ ন্যুমাই (৫১), অপোকপা নমরাংবৌ, তামৈ হেদক্বার্টর অমসুং জিরিবাম এ সীগী ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অসবউদ্দিন (৫৩), অপোকপা তুরপাং আলি, সোনাপুর পার্ট ৱাননি।

এ সী ১২গী মীহুৎশিং অসিবু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহনবগী মায়োক্তা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিংনা কোংগ্রেস এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রম (৩৩), অপোকপা ও ইবোবী, থৌবাল অথোকপম অমসুং দি দি থাইসি (৫৮), অপোকপা ঐচ দাইয়ো (কারোং এ সী)গী রিট পিটিসন (সিভিল) ৩১৭ ওফ ২০১৮, আম আদমি পার্টি (এ এ পি), মণিপুরগী ট্রেজরর এম দি সাবির অহমদ (৩২), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অল্লাউদ্দিন, লিলোং শন্থুখোং লৌতরানা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন নম্বর ১০ ওফ ২০১৭, মোইরাংখোম শৌগাইজম লৈরক্তগী আর কে জয়সনা (৬৬), অপোকপা লৈখিদ্রবা আর কে সনাতোম্বনা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল নম্বর ১৬ ওফ ২০১৮, অমসুং পি আই এল নম্বর ৯ ওফ ২০১৭নি। খুরাই সাজোর লৈকায়দগী অথোকপম সুসিলকুমার (৪৬), অপোকপা লৈখিদ্রবা এ ইবোয়াইমনা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল নম্বর ৭ ওফ ২০১৭নি।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং এপোইন্টমেন্ট পীবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমসুং পি আই এলশিং অসিগী শুপচিনবা কম্মন জজমেন্ট অমা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৭তা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা পীখি। লোয়ননা কম্মন জজমেন্ট অদুদা এম এল এশিংবু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবদা অয়াবা পীরিবা মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (এপোইন্টমেন্ট, সেলেরি এন্দ এল্লাওৱেন্সেস এন্দ মিসেলিনস প্রোভিজন্স) এক্ট ২০২১ অসি অন-কনষ্টিট্যুসনল ওই হায়খি। লোয়ননা দি মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (এপোইন্টমেন্ট, সেলেরি এন্দ এল্লাওৱেন্সেস এন্দ মিসেলিনস প্রোভিজন্স) রীপিলিং এক্ট, ২০১৮ অসিসু ইনভেলিদ ওই হায়বগা লোয়ননা অন-কনষ্টিট্যুসনলনি হায়খিবনি।

অদুবু লৈঙাক্লা হাপচিনখিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং অদুগী ৱাথোক অসি হায়কোর্টকী কম্মন জজমেন্ট অদুনা লোইশিনখ্রবরা হায়দুনা খন্নরম্লবসু হৌজিক ফাওবদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহল্লুবা এম এল এশিং দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়বা ৱাকৎকী ৱায়েলদি লোইশিন্দ্রি।

হৌজিক নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এস সুভাসচন্দ্রনা রিজাইন তৌখ্রে হায়রগসু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহল্লুবশিংবু দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়বদগী ৱায়েল চত্থরক্লিবা সিভিল রিট পিটিসন অদুগী নম্বর ১২২ ওফ ২০১৮নি। পিটিসন অসি কোংগ্রেস এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রম অমসুং দি দি থাইসিনা পিটিসনরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসনর অনীনা মখোয়গী ৱাকৎ অসি মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইরুরবা এম এল এশিং অমদি মরী লৈনবা ওফিসলশিংগা পুন্না মীওই ১৬কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিসনর অনীনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা হায়রিবা ফম অসি পায়রুবা এম এল এশিং অসি দিসক্কালিফাই তৌগদবনি। মসিগীদমক মণিপুর লেজিসলেচর (রিম্যুভেল ওফ দিসক্কালিফিকেসন্স) (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ১৯৭৫কী সেক্সন ২(১)(এ) হায়রম্বদগী সেক্সন ৩(১)(এ) হায়রক্লবা সেক্সন অসিনা দিসক্কালিফিকেসন তৌবগী গ্রাউন্দশিংদগী ওফিস ওফ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি লৌথোকখিবা অসি মরম চাদে হায়নসু ৱাকৎলক্লিবনি।

কেস অসি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা শুপ্পন্তগী কেস অসি খক্তমক লৌখৎতুনা খন্নখি। কোর্টনা মেট্টর অসি খন্নরকপদা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইরুরবা খাসিম বাসুম, কে রোবিন্দ্রো, ঐচ দিঙ্গো, অৱাংবৌ ন্যুমাই অমদি কে লৈসিওনচিংবগী দিফেন্স কাউন্সেল ওইনা লেপখিবা অসেম মোহেন্দ্রোগী মায়কৈদগী সিভিল রিট পিটিসন অসিগী মায়োক্তা কাউন্টর এফিদেবিট অমা ফাইল তৌজগে, মসিগীদমক কোর্টনা চয়োল অহুমগী মতম পীবীয়ু হায়দুনা প্রেয়র তৌরকখি। দিভিজন বেঞ্চনা দিফেন্স কাউন্সেলগী প্রেয়র অসি তারবা মতুংদা পিটিসন অসিগী মায়োক্তা কাউন্টর এফিদেবিট সবমিট তৌরক্লবগী মতম চয়োল অহুম খক্তা নত্তনা চয়োল মরি পীখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা শরুকশিং খন্ননবগীদমক মথং থাগী ১৫দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

## ইরং থোং নৌনা পানখৎতুনা নুমীৎ ৪/৫নিগী মনুংদা লানবা...

*লামায় ১গী মখা...* কম্পোনেন্টশিং থুংলরগনি। হায়রিবা মচাকশিং অসি হেক থুংলবগা হয়েংদগী হৌদুনা থোং অসিগী মচাকশিং পানখৎপগী থবক হৌরগনি হায়রি। ইরং থোংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংশিনবা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা থোং শেম্বদা চঙগদবা মচাকশিং অদু হেক য়ৌরকপগা অথুবা মতমদা পানখৎতুনা শেম্বা য়ানবগীদমক এন ঐচ আই দি সী এল অমদি ইন্দিয়ান আর্মিগী এঞ্জিনিয়রশিংনসু থবক শুবা থেংনরকখি। অদুবু ইরং থোং অসি শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা মতম য়াম্না চঙলিবা অসি করিগীনো হায়না মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহং অসিগী পাউখুম থীদোক্লবা হোৎনবদা থোং অসি শাবদা তঙাইফদনা চঙগদবা মচাকশিং মতম চানা ফংবা ঙমদবদগী থোং অসি অথুবা মতমদা শাবা লোয়শিনবা ঙমদবনি হায়বগী ৱাফমসু খঙবা ঙল্লকখি।

পাউচে অসিগী টিম অদুদা ইরংগী খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না থোং অসি শেমজিন-শাজিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙলম্লগদি নুমীৎ খরনিগী মমাংদা অদুমক শেম-শাবা লোয়শিল্লদুনা চৎথোক-চৎশিন য়ারম্লগদবনি। করি-করম্বা মরম লৈবনা থোং অসি শেম-শাবদা মতম অসুক য়াম্না চঙহল্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু থোং অসি মতম শাংনা য়াদনা লৈবা মরম্না লম্বী অসিগী মতাইদা হিংনবগীদমক দুকান ফল্লিবা মীওইশিংনা খুন অসিদা থোকপা পোৎথোকশিং য়োনবা ঙমদবা মরম্না খুঞ্জাশিংনা পেন্নদ্রে হায়নসু ফোঙদোরকখি। এন ঐচ আই দি সী এলগী টিমশিং অমদি ইন্দিয়ান আর্মিগী টিমনা থোং অসি অথুবা মতমদা শাবা লোয়শিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনজরবসু নুমীৎ ২২ নি হেল্লবা ফাওবদা থোং শাবা লোয়শিনবা ঙমদ্রিবা অসি করিগীনো হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। মরমদি করিগুম্বা অতোপ্পা প্রোব্লেম অমা লৈত্রগদি থোং অসি শাবা নুমীৎ খরনিগী মমাংদা লোয়শিনবা য়ারবনি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু অথুবা মতমদা থোং অসি শাবা লোয়শিনবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা লোয়শিনবা ঙমদনা লৈরিবা অসি পাল্লিবা লৈঙাক্লা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু ঙাক্তে হায়না তাকপনি।

ইরং থোং অসি হৌখিবা চহী মরী-মঙাগী মমাংদগী ফীভম শোক্লা লাক্লবনি। থোং অসিদা গাড়ি লানবা মতমদা থোং অসি শুপ্পন্গী নোম্বা খক নত্তনা ফৈনা হায়বগী ফীভমদা লাক্লে হায়না মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা কয়ারক হন্না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। করিগুম্বা মতম অদুদা মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়েংশিনবিরম্লবদি ঙসি থোক্লিবা থৌদোক অসি থোক্লম্লোই। ইরং থোং হন্দক্কী তেকপা অসি থারগা ঙসি ফাওবদা থোং অসি তেকপা পুন্না মরীরক শুরে। অদুবু ষ্টেট অসিগী মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাকশিংনা লাইফ লাইন অমসু ওইরিবা নেসনল হায়ৱে ৩৭ অসিগী ভেল্যু খঙবিদুনা মতম অসিগা চান্নবা থোং শাবিদুনা শুপ্পন্গী বেল্লি ব্রিজ অমা ওইনা শারল্লিবা অসি মীয়াম্না পেন্নদে হায়খি। অমরোমদা হৌজিক-হৌজিক নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফালদগী জিরি ফাওবগী লম্বী অসি লমগী চয়েৎনবা লৈবদগী ফোর (৪) লেন শেম্বা ঙমদ্রবসু টু (২) লেনগী থাক্তা অথুবা মতমদা শেমগৎ-শাগৎলগনি হায়রি। লোয়ননা ইরং থোং বেল্লি ব্রিজ অসিগী মনাক নক্লা অনৌবা আর সী সী থোং অমসু শানবা অথুবা মতমদা উরেপ-উয়ুং তল্লবা য়াই হায়বগী পাউসু ফংই। করিগুম্বা মদুনা অচুম্বা ৱাফম ওইরগদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিদুনা অথুবা মতমদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক তৌবিয়ু হায়নসু খুঞ্জা অদুনা পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

HL/B/6494/1 to 29 Nov. alt.

## রুপ রাগনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): রুপ রাগগী হৌজিক হৌজিক ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরিবা শৈশকপা শমুলাইলাৎপম নবচন্দ্র শর্ম্মা (নবা ভোলকেনো) বু সঙ্গীৎ নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লিগী জেনরেল কাউন্সিলগী মেম্বর ওইনা খল্লকপদা নুংঙাইবা অমদি হরাওবা ফোঙদোক্লি হায়না রুপ রাগগী জেনরেল সেক্রেটরি কে বিরকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## থৌ পুবা খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস): লৌমী শিন্নী অপূন লূপ (লৌশাল) মণিপুরগী কুমজা ২০২০ দগী ২০২৩ ফাওবা থৌ পুনবা মীওই ১৩ খনখ্রে। লৌশালগী চেরোল অমগী মতুং ইন্না নৌনা থৌ পুনবগীদমক খল্লবা মীওইশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা মুতুম চুরামণি, ভাইস প্রসিদেন্টতা সোরাইশম দিলিপ, জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম কিরনজিৎ, এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরির থিংঙোম সৈত্যাম, ত্রেজরর খুমুজম রোনেক্স খাবা, পব্লিসিটি সেক্রেটরির পুখ্রম্বম ইনাওবী অমসুং সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন খুমুকচম শ্যামসুন্দরনি। মাইবম সুনিত, থোকচোম নেতাজি, থাংজম সুরজিৎ, থোঙাম প্রেমচান্দ, খুমুজম কামেশ্বর অমসুং লাইশ্রম রোমেনকুমারবুনা মেম্বর ওইনা খল্লে হায়রি।

## মতম লেপখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ) না ক্লাস ত্রেলভকী প্রাক্টিকেল এগজাম পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রে।

বোর্দনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না জন্যুৱারী ১দগী ফেব্রুৱারী ৮ ফাওবগী মনুংদা প্রাক্টিকেল এগজাম পাঙথোক্লগনি। সবজেক্ট সবজেক্টকী ওইনা চপ চাবা নুমিৎ লেপ্পগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি হায়রি।


**GAS NEWS**

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO :16/09/2020**
VALID FROM : 11/09/2020
DROP IN BOX. & HOME DELIVERY M.NO. 9089177227 & 9366597565.M.BOOKING OFFICE-9089161416
CONT.TIME.7.00AM.TO.10.30 AM

**M/S R AND H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only home dellivery
**Booking upto : 21/08/2020**
Valid from 06/08/20
Stock 306nos.
Home dellivery & Booking Contact nos. 8414824977 8413936705, 9366013547, 8132036940
Time. 8am to 12 noon
Sunday Holiday

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO : 12/10/20**
VALID FROM : 06/10/20
5kg AVAILABLE
TIMING 08.00 to 10.00am

**M/s K&K INDANE SERVICE**
Booking upto sl.no.50 A & B of 10/10/2020
Valid from 03/10/20
Time 7.30 to 11am

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-06/11/2020
Valid from-13/10/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing:8:00AM to 2:00PM

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery
Booking : 20/11/20
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers : 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no.

**PHAYENG INDANE**
**Booking upto : 3/11/20**
Valid from : 14/10/20
Timing 8.00 to 10.30 am

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM : 12/09/2020
**BOOKING UPTO : 17/09/2020**
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking up to : 25/10/2020**
Valid from : 05/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no : 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS



